# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ চীংথ্রাও অঙাঙবা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিটুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ







**ঐখোয়গী** লমদম মণিপুর অসিদা হৌরিবা মীওইবদা কান্নবা পীরিবা পান্বীশিংগী মনুংদা চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বী অসিসু অমনি। চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বী অসি ইংলিসতা ওর্কিদ ত্রী (Orchid tree) নৎত্রগা পর্পল বৌহিনিয়া (Purple Bauhinia) নৎত্রগা হাৱাইন ওর্কিদ ত্রী (Hawaiian orchid tree) নৎত্রগা বতরফ্লাই ত্রী (Butterfly tree) নৎত্রগা পিঙ্ক বতরফ্লাই ত্রী (Pink butterfly tree) নৎত্রগা পর্পল বতরফ্লাই ত্রী (Purple butterfly tree), হিন্দীদা কানিয়ার (Kaniar) নৎত্রগা কোতা (Kota) নৎত্রগা রক্তাকনচন (Raktakanchan) নৎত্রগা খেরৱাল (Khairwal) নৎত্রগা কারার (Karar) নৎত্রগা কাঞ্চন (Kanchan), তামিলদা নিলাতিরুভাতী (Nilattiruvatti), বেঙ্গোলিদা কোইরাল (Koiral), অসামিজদা ওগ-য়োক (Og-yok), মরাথীদা রক্তা কঞ্চন (Rakta kanchan), কানারাদা দেবকাঞ্চন (Devakanchan) নৎত্রগা বসাভানা (Basavana) নৎত্রগা বসাভানা পাদা (Basavana paada), মালায়ালমদা তাপাক কুরা (Tapak kuda), নেপালিদা তানকি (Tanki), স্পেনিষ্টতা পাই-দি-কাব্রা (Pie de cabra), থাইদা সিওৱান (Sieowaan) নৎত্রগা সিও দোক দেঙ (Sieo dok daeng), ভিয়েটনামিজদা মোসঙবোফটিজম (Mosngboftism), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *বৌহিনিয়া পর্পুরিয়া (Bauhinia Purpurea Linn.)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া কেসত্রাতা (Bauhinia castrata Blanco)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া কোরোমান্দেলিয়ানা (Bauhinia coromandeliana DC.)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া প্লেতাইফাইলা (Bauhinia platyphylla Zipp. ex Span)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া রোজিয়া (Bauhinia rosea Corner)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া ত্রাইন্দ্রা (Bauhinia triandra Roxb.)* নৎত্রগা *বৌহিনিয়া ভাইওলেসিয়া (Bauhinia violacea Corner)* নৎত্রগা *ফেনেরা পর্পুরিয়া (Phanera purpurea (Linn.) Benth)* হায়না কৌই অমসুং সিজলপিনিয়েসী (Caesalpiniaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বী অসি দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগনবা ফুট ৩০ ফাওবা ৱাংবা উ পান্বী অমনি। পান্বী অসিগী মনা অসি নায়াৎ অনী পনশিন্নদুনা সেন্টিমিটর ১০ দগী ২০ লোম পাক চাউই। পান্বী অসিগী জিনস বৌহিনিয়া হায়বসি অফাওবা মনা-মশিংদা থিজিনখিবা কেরোলস লিনিয়স (Carolus Linnaeus) না ফ্রেন্সকী ফাওরবা বোটানিষ্ট অনী- গাসপর্দ বৌহিন (Gaspard Bauhin, 1550-1624) অমসুং জীন বৌহিন (Jean Bauhin, 1541-1613) মচীন-মনাওগী মমিং লৌদুনা থোনখিবগী মরমদি পান্বী অসিগী নপশিন্নরিবা মনা অনী অদু বৌহিন মচিন-মনাও অনীসিনি হায়বগী মওংদা থোনখিবনি। চীংথ্রাও-অঙাঙবগী মপাল অসি মনম চেল্লি অমসুং লৈনা ৫ ফন্দোক্তুনা শাৎলি অমসুং মঙ্গ্রা মচু ওই। পান্বী অসিগী মহৈ অসি য়োংচাক্কী মওংদা সেন্টিমিটর ২০ লোম শাংই অমসুং মদুদা মরু ১২ দগী ১৬ ফাওবা য়াওই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বী অসিদা য়াওবা মরুওইবা বাইওকেমিকেলশিংদি Bioflavonoid তা Bibenzls, Dibenzoxepins, Phytol fatty esters শিংগী মনুংদা Lutein, β-sitosterol, Isoquercitin অমসুং Astragalin অসিনচিংবানি। চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী মনাদা প্রোতিন অসি চাদা ১২.৬ লোম য়াওবগী পাউদম লৈ। অতোপ্পা পাউদমশিংগী মতুংইন্না চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী মরুদা মনিল কাগন্দবা থাউ (Lipid) অসি চাং য়াম্না য়াওই অমসুং মদুগী অপূনবগী চাদা ১৫ রোমদি Linolenic অমসুং Fatty acid শিংনা ওই। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা চাং য়ামদনা Myristic fatty acid অসি য়াওই।

চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বী অসি মীওইবনা হিরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। পান্বী অসিগী উগী মকু অদুদা মীওইবনা চাবা য়াবা গম (Resin) অমা য়াওবগী পাউদম লৈ অমসুং হায়রিবা গম অসি মখল মখা কয়াগী এঞ্জাং থোংবা অমসুং অচাপোৎ শাবদা শীজিন্নৈ। চীংথ্রাও-অঙাঙবগী উ অসিদা মৈশা (Calorific value) গী চাং অসি য়াম্না ৱাংনা য়াওবা (4,800 kcal/kg) মরম্না শীং (Fire wood) ওইনা শীজিন্নবদা য়াম্না খুদোংচাহল্লি অমসুং অফবা মখলগী মৈতাল লোকপা য়াই। চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী মপাল অসি য়েংবদা য়াম্না ফজবগী মথক্তা নুংশিবা মনমসু চেনবা মরম্না মীয়াম্না পান্বী অসিবু স্কুল, কোলেজ, গার্দেন, পার্ক অমসুং য়ুমগী অকোয়বদা পাম্না থান্নৈ। চীংথ্রাও অঙাঙবা পান্বীগী উ অসি মহুট কুপ্পা অমসুং ময়েক থোকপা মরম্না খুৎশু-খুৎলায়গী মখোক পানবা, ফি শানবা লংচাক অমসুং পাঙ্গলদেম, থাঙগী মখোক পানবা অমসুং অপীকপা মুক্তীশিং শাবদা য়াম্না পাম্বা শীজিন্নৈ। Bio-chemical, Immunochemical অমসুং Histochemical গী ওইবা থিজিন-হুমজিনবা অমসুং নৈনবদা শীজিন্নরিবা Bauhinia purpurea Agglutin (BPA) হায়রিবা লেক্তিন কম্পাউন্দ অসি চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী উদগী শুংবনি।

ত্রাইবেল কাঙলুপ খরনা চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মহয় অদু এঞ্জাং থোংদুনা চান্নৈ। চীংথ্রাও-অঙাঙবগী মপান অমসুং অনৌবা মহয় অদু শা-ঙা থোংবদা হাপ্তুনা মহাও হেঙ্গৎহন্নবা ওইনা শীজিন্নৈ। মহয় অদু আচার ওইনা শেল্লগসু মথেল অমা ওইনা চান্নৈ। চীংথ্রাও অঙাঙবা পান্বীগী মনা অসি নেপালদদি ষন অমসুং ইরোইগী মখোম থোকপা হেঙ্গৎহল্লি হায়দুনা পীজনৈ। পান্বী অসিগী মনা অসি হামেং অমসুং য়াওনসু য়াম্না পাম্না চাই। চীংথ্রাও-অঙাঙবা উগী মকুদা চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওরিবা গম (Tannin) অসি শা-ষনগী মউন অদু শউন ওন্থোকপদা শীজিন্নৈ। হীদাক ওইনসু চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেন্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈদুনা অমদি থোল্লগা বেন্দেজ ওইনা য়েৎতুনা খোঙ-খুৎ লৈথেক্তুনা শিংলি থুপ্পা, পোমখৎপা অমসুং নাই চাবদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। চাথৎপদসু হায়রিবা অশেন্বা অসিনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। চীংথ্রাও-অঙাঙবা উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা অনঙবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা তীন অমসুং খোইনা চীকপা অসি লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা অমাঙবা য়ৈখৎলবদি চীংথ্রাও-অঙাঙবগী মপান অদু শুগাইরগা ঈশিং খরদা থীৎতুনা শেন্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস ২ গী চাংদাদা পীথকপদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। ভারতকী ত্রাইবেল কাঙলুপ খরনা চীংথ্রাও-অঙাঙবা পান্বীগী মনা অদু শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু লাইবক অমসুং হকচাংদা তৈদুনা অরুম-লাইহৌ অসি লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অদু ঈশিংদা নৈখায়রগা পীথকপসু অদুমক য়াই। হায়রিবা মহী অদু পীথক্তুনা লোক থুংবা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। পান্বীগী মরু অদু অশোক অপনদা থোন্বদা চৈনা হন্থহনবা ঙম্মী।◀◀

# মণিপুরনা ইন্টরনেল ওটোনোমি, ফ্রীদম অমসুং কবো ভেল্লি করম্না মাঙখিবা : সার অকবর হায়দরি

- ডা. টি ঐচ সুরেশ -
MD. WHO Fellow (Holland and UK (Ex- Director of Health Services, Manipur), Chairman

**য়াম্না** মরু ওইবা ত্রান্সজিসন পেরিওদ হায়বদি ১৫/৮/১৯৪৭ - ১৫/১০/১৯৪৯ মতমদা সার অকবর হায়দরিনা শিলোংদা বেজ তৌদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ওইরম্মী। মহাক্না মণিপুরগী মহারাজ বোধ চন্দ্রগা য়াম্না ফজনা অন্দরষ্টেন্দিং লৈনরম্মী। মহাক্না মণিপুরবু য়াম্না পামজবা অমদি নুংশিজবা ওইবনা ছুটিশিং য়াওনা, মণিপুরদা য়াম্না তোইনা তোইনা লাক্লম্মী। কুমজা ১৯৪৯গী অঙনবা নিংথমথাগী শরুক্তা ৱাইথৌ ইন্সপেক্সন বঙ্গলোদা ছুটিদা ঙানু কাপ্পা চৎপা থৌদোক্তুদা হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদবসি মণিপুরগীদমক্তা য়াম্না লাইবক থীবনি। লেদি হায়দরিনা পামজবা মতুং ইন্না মহাক্কী মশা অদু কংলা ফোর্টতা ফুমখি অমদি মদু হৌজিক ফাওবা উবা ফংলি। (ফোটোদা উৎলিবা)



মণিপুরদা লাকপা খোঙচৎ অমগী মমাঙদা মহাক্না নাগা নেসনল কাউন্সিলগা ২৭/৬/১৯৪৭তা দোমিনিয়ন ইন্দিয়াগী এজেন্ট অমা ওইনা ৯-পোইন্ট এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনরম্মী, য়াওরিবদি - মদু চহী ১০ চৎনহন্নবগীদমক্তা মহাক্কী স্পিসিয়েল রেসপোন্সিবিলিটি লৈগনি, অদুগা মদুবু অমুক এক্সটেন্দ তৌবা নৎত্রগা অনৌবা অমা ইবা তাবদুদি নাগা পিপলগী অপান্বদা ওইগনি। এগ্রীমেন্ট অসিনা নাগালেন্দবু ওলমোষ্ট ফ্রীদম ফংহল্লম্লবনি অদুগা মখোয়না মদুবু মাঙহনজখিবনো হায়বদু নৈনবদুদি অনৌবা চেপ্টর অমগীদমক থল্লগে। হৌজিক্কী ওইনা থল্লিবা ৱাফমদি- হায়রিবা নাগা এগ্রীমেন্ট অসিনা মখাদা পীরিবা মণিপুরগী এগ্রীমেন্ট ২ অসিদগী য়াম্না ফৈ হায়বসিনি।

কুমজা ১৯৪৭কী জুনগী অরোইবা চয়োলদা গভর্ণরনা মণিপুরদা লাক্লম্মী অদুগা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন এন্দ ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ইকোন কোন্না ওইরক্লিবা পোলিটিকেল দিভলপমেন্টকী মতাংদা মহারাজ অমদি দরবার মেম্বরশিংদা তল্লম্মী অমদি তাক্লম্মী। নাগা এগ্রীমেন্ট অদূ খূৎয়েক পীবা হেক মতুংদা মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা এগ্রীমেন্ট অনী মহাক্না খূৎয়েক পীনরম্মী। তাং ২৯দা প্রিয়াব্রতনা লুচিংবা দরবার মেম্বরশিংনা পি এগী খূৎথাংদা গভর্ণরদা মেমো অমা পীরম্মী। অদুগা জুলাই ১দা গভর্ণর অমসুং মণিপুর দরবার এ পোইন্ট ওফ এগ্রীমেন্ট অমা ইনরম্মী। মসি গভর্ণর অমসুং মণিপুর দরবার অমদি নিংথৌজা মনুংদা য়াম্না কূপ্না নৈনরবা মতুংদা তৌনখিবনি। অদু নৎত্রবদি, মহাক্না কোহিমাদগী হেক থুংলবগা অসুক লুবা এগ্রীমেন্ট ২ সি খূৎয়েক পীবা ঙম্লোই। মদুদা য়াওরিবা মরুওইবা ৱাফমদি :

i) agreed to join the constituent Assembly (ii) Mr. Guha of Tripura be appointed as Manipur representative and Advisors be appointed to assist him. (iii) Defence, Communication, currency, trade and commerce should be as per the existing arrangement. (iv) minimum interference in the state's internal matter. (v) formation of an Interim Council to negotiate the necessary agreements with the Union. This should enable the introduction of the new Constitution to be inaugurated within 1 yr. (vi) further compensation for Kabaw Valley should be taken up with the Union.

এগ্রীমেন্ট অসিদা য়াম্না মরু ওইবা পোইন্ট ৩ খক য়াওরি :- ১) দিফেন্স, কম্যুনিকেসন, করেন্সি, ত্রেদ এন্দ কমর্সশিংসি হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংদা অদুম লৈগদবনি (২) ষ্টেটকী ইন্টর্নেল এফেয়রসতা য়ারিবমখৈ খূৎ থিংজিল্লোইদবনি অমসুং (৩) কবো ভেল্লিগী কম্পেন্সেসনগী মতাংদা য়ুনিয়নগা অমুক হন্না ৱারী শানগদবনি। অদুনা পাবীরিবশিংনা উবিরে - ঐখোয় ওলমোষ্ট ফুল ওটোনোমি অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স ফংলম্লবনি। মসি ঐহাক্না ইজখিবা আর্টিকেল কয়াদা তোইনা তোইনা পঞ্জবদুনি।

মখা তারকপদা, মথংগী নুমিৎতা হায়বদি জুলাই ১৯৪৭কী তাং ২দা গভর্ণরনা মহারাজগা ৭-পোইন্ট এগ্রীমেন্ট অমসু খূৎয়েক পীনরম্মী। য়াওরিবা মরু ওইবশিংদি :

i) the Administration Rules be introduced on 1st July 1947, ii) the **Political Agent** be substituted by the **Union Agent.** His Highness in Council shall accept any advice tendered by the Assam Governor with the understanding that there shall be minimum of interference in the internal affairs of the State. The council will also accept an officer appointed by the Union Government to act as Agent to the Governor. iii) the Union Agent shall avoid interference in the day to day administration of the Hills. iv) the Hill Regulation shall be introduced simultaneously with the **State Courts Act** and that this shall be done before 15th August 1947.

হায়রিবা ২শুবা এগ্রীমেন্ট অসিদা ইন্টরনেল ওটোনোমিগী মতাংদা ময়েক শেংনা পল্লবসু দিফেন্স/কম্যুনিকেসন/ত্রেদ অমদি কবো ভেল্লিদি শুকপন পন্দে। অদুগা মহারাজনা অতোপ্পা এগ্রীমেন্ট অমমুক খূৎয়েক পীনরিবসিসু অঙকপা অমনি। অইবগী ৱাখল্লোন্দদি মহারাজনা দরবার মেম্বরশিংনা খূৎয়েক তৌনবদু পামদদুনা মানা অতোপ্পা অমা তৌনবনি হায়না লৌই। মসি ইগো-ক্লাশনি, মহারাজ অমদি দরবার মেম্বরশিংগী য়ানদবা উৎপনি। অহানবগী অদুনা ২শুবা অদুদগী য়াম্না হেন্না ফবনি। অদুবু হায়রিবা এগ্রীমেন্ট ২ অসি ঐখোয়গী লিগেল দোক্যুমেন্ট অমনি অদুগা দষ্টবিন্দগী লৌথোক্তুনা শেংদোক্লগা পাগদবা অমদি মখা তানা থবক লৌখৎকদবা অমনি।

হায়রিবশিংসি অইবগী অতৈ সেরিজ/রাইটঅপশিংদসু পঞ্জখ্রবনি। মাঙজরিবদুদি - ঐখোয়না ফুল ইন্টরনেল ওটোনোমি, ফ্রীদম অমদি কবো ভেল্লি ফংলম্বদুনি, মরু ওইনা অহানবা এগ্রীমেন্ট অদুদা। ওহ, ঐখোয়না করম্না য়ানশিন্নবা অমদি মাঙহনখিবা!

গভর্ণর অসিনসু দোমিনিয়ন এজেন্টকী পোষ্ট (হান্নগী পোলিটিকেল এজেন্ট) মুথৎতুনা দেৱানগী (প্রাইম মিনিষ্টরগী) ওফিস অমা লীংবা পাল্লম্মী। মণিপুর মহারাজদু অহানবদদি য়ানীংলমদে, অদুবু গভর্ণরনা অমুক হেন্না এসুরেন্স পীবদগী কোনথংদদি য়াখি। মসিনি মখোয় অনীগী ত্রষ্ট অমদি মুচুএল এফেক্সন। মসি মণিপুরগী ফুল ওটোনোমি ওইরম্মী হায়বগী খুদম-চাংদম অমনি। মরমদি বোধ চন্দ্রনা য়ারবা কান্দদা থবক্তু তৌখি। মখা তারকপা ওইনা গভর্ণরনা দোমিনিয়ন এজেন্ট মুথৎলগা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অদু ২০/৮/১৯৪৮দা লীংখৎখি। অদুগা মহারাজনা প্রিয়াবত্রবু চীফ মিনিষ্টর ওইবগী মথক্তা দেৱান ওইনসু এপোইন্ট তৌরম্মী। কাশ্মীরদা নত্তনা মণিপুরবু প্রাইম মিনিষ্টর লৈবা ষ্টেট অমা ওইরম্মী, মসি য়াম্না হিষ্টোরিকেল সিগনিফিকেন্স লৈবা অমনি।

মসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো ? প্রাইম মিনষ্টরগী পোষ্ট অসিনা চীফ মিনিষ্টরদগীদি হেন্না চাউবা অমনি। নুংগী ৱাখল্লোন/আইদিয়া তাকথোক্তুনা গভর্ণরনা মণিপুরবু হেন্না মপূং ফাবা ওটোনোমস ষ্টেটস অমা ফংননবা লমজিংবিরম্বা ওইবসু য়াই। মদু ওইরম্বা তারবদি আইদিয়া অদু সার অকবর হায়দরিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদুগা লোয়ননা অদুম মাঙখ্রে। ঙসি ফাওবদা হিষ্টোরিয়ন/ইন্দিভিজুএল অমত্তনা মসিবু এনালাইজ তৌবদি লায়রদনা পনবা ফাওবা পনবীদ্রি। অদুনা ১৮৯১ এঙ্গলো মণিপুরী ৱারগী মতুংদা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিল্লম্মী অদুগা ১৫/৮/১৯৪৭তা ইন্দিয়াদা তিনখি হায়রিবা মীওইশিংদুদা য়াম্না ৱাখল তাহনবা অমা চঙলি - ঐখোয় ওটোনোমস প্রিন্সলি নেটিভ ষ্টেট অমনি, দিফেন্স, এক্সটর্নেল এফেয়রস এন্দ কম্যুনিকেসন খক্তং অসাম গভর্ণরনা রিপ্রজেন্ট তৌদুনা বৃটিশ ক্রাউন/ইন্দিয়ন দোমিনিয়নগী দোমেন্দা লৈরম্বনি হায়বসি। মসিমসু ৱাখল তামিন্নবা তাই মদুদি ইন্সত্রুমেন্টস ওফ এসেসন অমসুং ষ্টেন্দষ্টিল এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনবদুদি হৌরকপদা ঙাইরিবনি, অরোইবা নত্তে। এগ্রীমেন্ট ২ অসিনা মপূং ফাদবা মরম ওইদুনা ষ্টেট কয়ানা মরম অমা নৎত্রগা অমা ওইদুনা মর্জর এগ্রীমেন্ট কয়া দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগা খূৎয়েক পীনরিবনি। মণিপুরসু অদুগুম্বা নেটিভ ষ্টেট ২০দুগী মনুংদা অমনি।

অদুনা, ২৫/৯/১৯৪৯গী ফাওরবা মর্জর/ফোর্স মর্জর এগ্রীমেন্ট শিলোংদা তৌনখিবদুগী মতুং ইন্না মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনবদি ১৫/১০/১৯৪৯দনি। মসিগী হিষ্টোরিকেল প্রোপোজিসন অসি মণিপুরগী হিষ্টোরিয়ন/ইন্টিলেকচুএল/পোলিটিসিয়নশিংনা য়াম্না থেংথদ্রিঙৈ হৌজিক্তগী হৌনা খঙবিবনা হেন্না ফবা অমা ওইগনি। অইবনা ইম্ফেসিস তৌজরিবদি - ১৫/৮/১৯৪৭ অসি মণিপুরগী ইন্দিপেন্দেন্স দে নত্তে, ওবজার্ভ তৌবা তারবদি ১৫/১০/১৯৪৯নি হায়বসিনি। ১৫/৮/১৯৪৭পু ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স দে ওবজার্ভ তৌবদা অকায়বা অমত্তা লৈতে, অইবনা ইম্ফেসিস পীজরিবদি মণিপুরীশিংনা মসিগী খেন্নবা অমদি হিষ্টোরিকেল প্রোসপেক্টিব অদু খঙবীগদবনি হায়বসিনি।

মণিপুরনা ইন্টরনেল ওটোনোমি, ফ্রীদম অমদি কবো ভেল্লি মাঙজখিবসিদি মফম/মতম চাবদা হায়রিবা হিষ্টোরিকেল ফেক্টশিংসি পুথোক্তুনা নিংথিনা য়েৎপা ঙমহৌদবগীনি হায়বসি ঐখোয় লোইনমক্না য়াবা তাই। মর্জর এগ্রীমেন্টকী য়েৎনবা হৌরকপা মতমদগী হায়রিবা লিগেল দিটেলশিংসি ২৫/১/১৮৩৪গী কবো ভেল্লি কম্পেন্সেসন এগ্রীমেন্ট য়াওনা, বোধ চন্দ্র, মাগী এদভাইজরশিং অমসুং দরবার মেম্বরশিংনা মরম চানা, হৈশিংনা পুথোক্তুনা য়েৎনরম্লবদি মণিপুরনা হান্না লৈরম্বা (কবো ভেল্লি য়াওনা) ফুল ইন্টরনেল ষ্টেটস অদু অদুম ফংদুনা লৈজরমগদবনি। হায়রিবা লাইবক থীবা চমম্নবা পোজিসন অসি ঐখোয় ইশানা তুংদা লাক্লিবা মীরোলশিংদা লাম্থোক্তুনা থম্বীরম্লে হায়বা অসিমক য়াম্না লাইবক থীবা অমদি নীংঙমদনা লৈহৌরগদবা অমনি।◀◀

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১। মৈতৈগী কাঙজেরোন্দা শগোল কাঙজৈ শান্নবা নিংথৌ কাংবগী হাক্তক্তা হৌখি হায়রি।

(ক) অহানবদুদা খূৎ কয়ানা মীচঙ অমা ওইখিবগে?

(খ) কাঙজৈরোয়না কোকয়েৎ য়েৎপসি করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা হৌদোকখিবগে?

২। "কপ্পুনা কান্নরোই/কনাসু নুংশিরোই/মদো কনায় খুজিন্নোদো।" পরেংশিং অসি মহাকবি হিজম অঙাংহলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। 'চিংনাং খোংনাংথাবা' হায়বসি অশেংবা ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা লীলানি। দ্রামা লাইরিকসিগী অইবা অদু কনানো?

৪। "ফূদদি, মানা পিবানি হায়দনা পংতৌ তৌবা য়াবরা? ফূনি, ঐদি ফূদৌরিবনি।" ৱাফমসি এম কে বিনোদিনীগী 'বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী' উপন্যাসতা সনাতোম্বীনা খুল্লিবনি। কনাদনো মানা খুল্লিবসি ?

৫। লিও টোলষ্টোইগী 'কোসাক' পু মণিপুরীদা হন্দোকপা হন্দোক্লোয়দু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মরোল থোকপা লাই

